# টৈজিন্দরনা অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা সোট পুট গোল্ড লৌখ্রে

জকরতা/পালেম্বাং, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী)ঃ টৈজিন্দর পাল সিংহ টুরনা ঙসি ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী নুপাগী সোট পুট ইভেন্টতা অনৌবা গেমস অসিগী রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী এথলেটিক্সকী সোট পুট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টৈজিন্দর পাল সিংহ টুরনা মিটর ২০.৭৫ লংদুনা এসিয়ন গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংখি। হান্না এসিয়ন গেমসকী ওইনা নুপাগী সোট পুট ইভেন্ট অদু কুমজা ২০১০ বৈজিং এসিয়ন গেমসতা কুৱেটকী এথলিট সুলটান অল হেবসিনা মিটর ২০.৫৭ লংলগা রেকোর্দ থম্লম্বনি। অদুবু ঙসি মহাক্কী রেকোর্দ অদুদগী ইন্দিয়াগী সোট পুট্টর টৈজিন্দর পাল সিংহ টুরনা মিটর ২০.৭৫ লংদুনা রেকোর্দ থুগায়বা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, এসিয়াগী ওইবা নুপাগী সোট পুটকী রেকোর্দ অদু কুৱেটকী সুলটান অল হেবসিনা কুমজা ২০০৯ দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নসিপতা মিটর ২১.১৩ লংদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙম্লি। অমরোমদা মালেমগী ওইবা সোট পুটকী রেকোর্দ অদু কুমজা ১৯৯০ দা য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলিসতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনদা লৈবাক অদুমক্কী এথলিট রেন্দি বার্ন্সনা মিটর ২৩.১২ লংলগা রেকোর্দ থম্লি। ঙসিগী এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল অদু ইন্দিয়ানা লৌখ্রবা মতুং সিলভর মেদল অদুনা চাইনাগী লিয়ু য়াংনা মিটর ১৯.৫২ লংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা কজাখষ্টানগী ইভান ইভানোবনা মিটর ১৯.৪০ লংলগা ফংখিবনি।

ঙসি ১৮ শুবা এসিয়ন গেমস অসিগী ৭ নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ৫ হাপচিনবা ঙমখি। সোট পুটকী গোল্ড মেদল অদুগী মতুংদা নুপীগী স্কৱাস ইভেন্টতা দিপিকা পলিকল অমসুং জোস্না চিনাপানা সেমি ফাইনেলদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌবা ঙমখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুমক্তদা নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় সৌরব ঘোসলসু সেমি ফাইনেলদা মায়থীদুনা ব্রোঞ্জ অমা ফংহৌখি। ৪ শুবা ব্রোঞ্জ মেদল অদু নুপাগী ৱেটলিফটিংদা কেজি ৯৪ গী কেটিগরিদা বেকাস থাকুরনা ফংবা ঙমখি।

**হোক্কী**

এসিয়ন গেমসকী ঙসি নুপীগী হোক্কীগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াগী টিমবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর টিম অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। অদুবু ইন্দিয়াগী নবনিট কোরনা ১০ শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী মিনিট ৫ লৈরগা ৱাই লিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনখি। ২ শুবা হাফ হৌরকপা ৩ শুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক মখা তানা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অদুবু অরোইবা অমদি ৪ শুবা ক্বার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী গুরজিৎ কোরনা মিনিট ১ গী মনুংদা পাঞ্জল ২ চনখি। মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা অনীশুবা মিনিট অদুনা ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। পাঞ্জল ৩-১ দা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা চথুরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা থংনবা মিনিটতা কটারিয়ানা পাঞ্জল অমগা চল্লগা সাউথ কোরিয়াবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখি। হোক্কীগী ওইনা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা থা অসিগী ২৭ তা অরোইবা মেচ ওইনা থাইলেন্দগা শান্নরগনি।

**বেদমিন্টন**

নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয়শিং মায়থীবা নংখ্রবসু নুপীগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরি। নেহৱালনা ঙসি ইন্দোনেসিয়াগী এফ ফিত্রিয়ানিবু ২১-৬, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী শান্নরোয় ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী প্লেয়র মারিস্কাবু ২১-১২, ২১-১৫ দা থোইরগা ক্বার্টর য়ৌখি।



*সোট পুটকী অনৌবা এসিয়ন গেমস রেকোর্দ থমখিবা ইন্দিয়াগী টৈজিন্দর পাল*

**2018 Asian Games Medal Tally**

| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 72 | 51 | 30 | 153 |
| 2 | Japan | 34 | 31 | 44 | 109 |
| 3 | South Korea | 25 | 26 | 33 | 84 |
| 4 | Iran | 14 | 11 | 9 | 34 |
| 5 | Indonesia | 10 | 12 | 16 | 38 |
| 6 | North Korea | 10 | 5 | 6 | 21 |
| 7 | Thailand | 8 | 8 | 24 | 40 |
| 8 | India | 7 | 5 | 17 | 29 |
| 9 | Chinese Taipei | 6 | 11 | 13 | 30 |
| 10 | Uzbekistan | 5 | 10 | 7 | 22 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো?

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ওইনাম কেন্দ্রনা শিংজমৈ কেন্দ্র মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিএসন (এম এ কে এ) গী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গোই আই পি টিমনা শীন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা চথুরিবা অহানবা লেট দল্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী মরিশুবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী শিংজমৈ কাঙখুৎ অমসুং ওইনাম কাঙখুৎ শান্নখি। মেচ অদু শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা ওইনাম কেন্দ্রনা মায়কৈ খনখি। কাঙখুৎ অনীগী মায়কৈদগী লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাঙ অদু লোইশিল্লকপদা ওইনাম কেন্দ্র কাঙখুৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র কাঙখুৎপু পাঞ্জল ১২-৯ দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা মেচ ওইনা হয়েং গ্রুপ বিগী কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখুৎ অমসুং হিয়াংলম কেন্দ্র কাঙখুৎ শান্নগনি। ওগষ্টকী ২৭ তা তরুকশুবা মেচ ওইনা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং য়াইস্কুল কেন্দ্র শান্নগনি।

## মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (এ এম বি বি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন অমদি য়ুরেম্বম বোদিবিল্ডিং সেন্টর (ৱাই বি বি) জিমগা খূৎশম্নরগা য়ুরেম্বম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাগী তাং ২৩ দা ১৬ শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ২০১৮ অমদি মেন ফিজিক পাঙথোক্লগনি। মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং মেন ফিজিক কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বোদি বিল্ডরশিংনা শেম-শাদুনা লৈনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন (আই দল্লিয়ু দি বি বি এফ এ) গী জেনরেল সেক্রেটরি এল দোলেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শাফবশিংনা পাঙ-থোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিগী নুমিৎতা মতম চানা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## ষ্টেট লেভেল রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না সেপ্তেম্বর ১ অমসুং ২ দা তোঙান-তোঙানবা কেটিগোরিদা ষ্টেট লেভেল রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লগনি হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ১৪ শুবা মেন্স সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সবজুনিয়রগী ফ্রিষ্টাইল অমদি গ্রেকো-রোমানগী কম্পিটিসন অমসুং ১২ শুবা ৱুমেন্স ফ্রিষ্টাইল সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সবজুনিয়রগী কম্পিটিসন অমসুং অহানবা চহী ১৫ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং কম্পিটিসন ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়রি। শরুক য়াগদৌরিবা রেষ্টলরশিংনা থা অসিগী ৩১ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা মশাগী অরুম্বা ওনবগী থবক পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

## থাঙ-তা ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসন্না শীন্দুনা ককচিং খুনৌ কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তা ফেষ্টিবেল ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সরাংথেম সনাহলনা চীফ গেষ্ট, ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম অঙৌবনা প্রসিদেন্ট, ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ ইন্সপেক্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা স্পেসল ইনভাইটিজ, টি ঐচ লৈমা, খুমুকচম গোজেন্দ্রো, কে এস ঐচ ইন্দুবালা, টি ঐচ রোসনি, অঙোম বিমোলচান্দ অমসুং খুমুকচম রাধামনি লৈমনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ফেষ্টিবেল অসিদা থাঙ-তা শিন্দমশঙ নিপানগী শান্নরোয় ৯৫ না শরুক য়ারি।

### ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৮

## নুপাগী চহী ১৪ মখাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, উখ্রুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৫ (ঐচ এন এস)ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী ৩১ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথুরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী চহী ১৪ মখাগী মেচশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, উখ্রুল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে।

চহী ১৪ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপতা দিষ্ট্রিক্ট ১৫ অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপীগী কেটিগরিদা দিষ্ট্রিক্ট ১৩ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপকী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং জিরিবাম শান্নখিবা মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা জিরিবামবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ফেরজোল অমসুং থৌবাল শান্নখিবা মেচ অদু থৌবালনা ফেরজোলবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি। কেটিগরি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা উখ্রুলনা চুরাচান্দপুরবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা মরিশুবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্টনা চান্দেলবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৭.৪০ তাবদগী ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর শান্নখিবা মেচ অদু চুরাচান্দপুরনা গোল ১০-০ দা মায় পাকখি। অনীশুবা মেচতা ককচিংনা চান্দেলবু গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখি। কেটিগরি অসিগী অহুমশুবা মেচ ওইনা বিষ্ণুপুর অমসুং জিরিবাম শান্নখিবা মেচ অদু বিষ্ণুপুরনা জিরিবামবু গোল ১৮-০ দা য়াম কা হেন্না মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং উখ্রুল শান্নখিবা মেচ অদু ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল ১২-০ দা মায় পাকখি। ৫ শুবা মেচতা তেংনৌপলনা ফেরজোলবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। ৬ শুবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্টনা চান্দেলবু গোল ১২-০ দা মায়থীবা পীখি।

HL-P/2038/26

## স্রুঙ্গ॰ঋঋঌ/লাইমতোন TREKKING

লাক্লিবা তাং ০১-০৯-২০১৮ থাংজ নুমিৎতগী ০২-০৯-২০১৮ নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা one day night hold তৌগদৌবা "**Adventure Tour Programme at Leimaton Peak**" অমা শীঞ্জগদৌরি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসি Jointly organise by Manipur Mountaineering and Trekking Association (MMTA) গী মখাদা **DISCAAB** না শীঞ্জগদৌরিবনি। মসিদা য়াওবীনিংবশিংনা মখাদা পীরিবা অসিদগী ফোর্ম লৌবীনবা খঙহঞ্জরি। ফোর্ম ফংফমশিং অদুদি MMTA Minuthong, DISCAAB office Leimapokpam, Nambol Higher Secondary School, Nambol, Thambal Marik College Oinam and Pakchao Memorial English School, Kha Sanjenbam লোয়ন-লোয়ননা কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

***Contact Nos.* ☎ 9612367901 / 9774958602 / 8575468851**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com